# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ লিলহা

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

**লিলহা** নৎত্রগা লিনহা হায়রিবা পাম্বী অসি মীয়াম্না থোইদোক্লা মশক খঙনদবা সেন্টিমিটর ১০দগীনা সেন্টিমিটর ৪০ ফাওবা ৱাংবা মরা শাংনা তাদবা য়াম্না থোৎপা অমদি এনুয়ল হায়বদি চহী অমখক্তমক পুন্সিবা অপীকপা পাম্বী অমনি। লিলহা হায়রিবা পাম্বী অসিগী মশা পূম্নমক সকুলেন্ট হায়বদি হোম হোম লাউদুনা খূৎনা য়াম্না লায়না মেৎখায়বা য়াবা অদুগা মনা অদু হার্ট হায়বদি থম্মোয়গী মওং মানবা অদুগা লৈ ময়াম অমা মরুম-মরুম মখোক্তা শাংনা পানবা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসি হেক মেৎখায়বদা হঙ্গাম পাম্বী নৈখায়বগী মনম নম্লপ তৌই।

লিলহা পাম্বী অসিগী মমিং অসি কৌখিবগী মরম অসি পাম্বী অসিগী অকোয়বদা য়াম্না তোয়না লিলহা হায়রিবা লিল/লিন মখল অসি লৈবা থেংনবদগী শোয়দনা ওইগনি। লিলহা পাম্বী অসি ইংলিসতা পিপর এলদর (Pepper elder) নৎত্রগা সাইনিং বুশ প্লান্ট (Shining bush plant) নৎত্রগা মেন-তু-মেন (Man to Man) নৎত্রগা সিলবরবুশ (Silverbush) নৎত্রগা রেট ইয়র (Rat-ear) নৎত্রগা লিটল হার্ট (Little heart), ক্যুবাদা কোরাজোন দি হোম্ব্রে (Corazon de hombre), খা অমেরিকাদা হর্ভা দি জাবুতী (Herva-de-jabuti) নৎত্রগা লিঙ্গুৱাদি সেপো (Lingua de sapo), সুরিনামদা কোন্সাকা ৱিৱিরি (Konsaka wiwiri), ওসিনিয়াদা রিটর্টিল (Rtertiil), কেমোরোদা পোটপোপোট (Potpopot) নৎত্রগা পোদপোট-লাহে (Podpot-lahe), ফিলিপিন্সতা পানসিট-পানসিটান (Pansit-Pansitan) নৎত্রগা উলাসিমাং-বাটো (Ulasimang-bato), ভিয়েটনামদা কাঙ কুৱা (Cang Cua), থাইদা পাক ক্রাশাঙ (Pak Krasang), কম্বোদিয়াদা ক্রাশাঙ টিপ (Krasang teap), জপানিজদা সুনা কোশো (Suna kosho), মালায়দা রাঙ্গু-রাঙ্গু (Rangu-rangu) নৎত্রগা তুম্পাং এনজিন (Tumpang angin), নাইজেরিয়াদা রিনরিন (Rinrin), মালায়ালমদা ভেলিপাচিলা (Vellipachila) নৎত্রগা ভেলাপাক্কা (Vallapaccha), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *পেপরোমিয়া পেলুসিদা (Peperomia pellucida (L) HBK)* নৎত্রগা *পেপরোমিয়া ট্রান্সলুসেন্স (P. translucens Trel)* নৎত্রগা *পাইপর কোন্সিনম (Piper concinnum Haw)* নৎত্রগা *পাইপর পেলুসিদম (P. pellucidum Linn.)* হায়না কৌই অমসুং উচিথী পাম্বীগী শাগৈ হায়বদি *পাইপরেসী (Piperaceae)* দা চল্লি।

লিলহা পাম্বী অসি এসিয়া অমসুং অমেরিকাগী অয়াম্বা মফমশিংদা থোইদোক্লা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। পাম্বী অসি চোৎ-চোৎ লাওবা, লৈঙোয়না নম্না তাবা লৈবাক-লৈশা অমসুং খরা শারপ তৌবা ট্রোপিকেল অমসুং সব-ট্রোপিকেলগী মফমশিংদা য়াম্না চুশিন্ননা হৌবা ঙম্মী। উখা-ৱাখা অমসুং মরুম ওইরপ তৌবা মফমশিংদা য়াম্না হৌগল্লি। লিলহা পাম্বী অসি অয়াম্বা মতমদা লৈ শাৎপা থেংনবিগনি।

লিলহা পাম্বী অসিগী মশা পূম্নমক এঙ্গাং ওইনা থোংদুনা চানবগী পাউদম লৈ। পাম্বী অসি শেংনা চামথোক্লগা কুপ্না শোয়রগা সলাদ/শিংজুগী মচল অমা ওইনা হাপ্তুনা চানৈ। হীদাক ওইনা লিলহা পাম্বী অসি লায়না কয়ামরুমদা শীজিন্নবগী পাউদমশিং লৈ। বোলিভিয়াদা খুন্দারিবা ইন্দিয়ানশিংনা লিলহা পাম্বী অসি ফজনা চামথোক্লগা শুমদুনা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা হকচাং মনুংগী কয়াৎশিংদা ঈ হাথবা ফনবা হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। উনশাগী লায়নাশিং মরুওইনা উরিং থুংবা অমসুং ফুগ্রী থুংদুনা ঈশিং হানবদা লিলহা পাম্বী শুগাইদুনা লৌবা অনঙবা মহী অদু চাং নাইনা তৈদুনা য়াম্না কুইরবা মতমদগী লায়েংদুনা লাক্লি। পাউদম অমগী মতুং ইন্না ফিলিপিন্সতদি লিলহা পাম্বী শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা মীওইবগী হকচাংদা য়ুরিক এসিদ (Uric acid) চাং য়াম্না ৱাংবদু হন্থহনবতা নত্তনা ঈশিং থোংগী লায়না মখল কয়ামরুম লায়েংবদসু শীজিন্নৈ।

লিলহা পাম্বীগী মরা শুগাইদুনা শেম্বা মচল অদু পীজদুনা অরুম-লাইহৌ অসিসু লায়েংনৈ। খুদক্কী ওইনা অশোক-অপন তৌবদা লিলহা পাম্বী অদু ফজনা চামথোক্লগা পোপলী পোপলী শুগাইরগা বেন্দেজ অমগুম্না থোম্লগা য়েৎশিন্দুনা থম্বদা অশোকপা অদু থুনা ওইশিলহল্লি হায়নসু পাউদমলি। ব্রাজিলগী মীওইশিংনা লিলহা পাম্বী অসি থোংলগা নৎত্রগা হিংনা সলাদ অমা ওইনা পীজদুনা মীওইবগী ঈদা য়াওবা কোলেসটেরোল অসি হন্থহনবগী পাউদমসু লৈ। আমাজোন অমসুং গুয়ানাগী লমদমশিংদা লিলহা পাম্বী অসি লোক থুংবা অমসুং ঈশিং তৌবগী লায়েং হীদাক ওইনা শীজিন্নৈ। পাম্বী অসি প্রোতিনুরিয়া (Proteinuria) হায়বদি হক্কী ঈশিংদা সিরম-প্রোটিন (Serum Protein) অসি চাং কা হেন্না য়াওবদসু পীজদুনা লায়েংনৈ। লিলহা পাম্বী অসি অশোক অপন তৌদুনা শোকপদা শুগাইরগা থোম্বদা চৈনা অদু থোইদোক্লা হন্থহনবা ঙম্মী হায়নসু পাউদমলি।

পাউদম অমগী মতুং ইন্না লিলহা পাম্বী অসি ক্লোরোফোর্মদা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু Trichophyton mentagrophytes হায়রিবা কোকফাই শুজা অসিদগী মপূং ফানা ঙাকথোকপা ঙম্মী। লিলহা পাম্বী শুগাইরগা শেম্বা মলম অদু চাং নাইনা তৈবদা তাং চাউথোক্তুনা চীকপা-নাবা তৌবা অদুসু থোইদোক্লা কান্নবগী পাউদমসু লৈ। থোইদোক্লা পূক্লিং চীংশিন্নীংঙাই ওইবা ৱাফম অমদি লিলহা পাম্বী অসি ব্রেষ্ট কেন্সর হায়বদি নুপীগী খোমগী লাইরেন-শজিক অসিদসু কান্নবা ফল ফংবা ঙম্মী হায়বসিনি। হায়রিবা অসি পাম্বী অসিদা য়াওরিবা পেপরোমিন্স (Peperomins) অসিননি।

## শৈথাজবা ১০শুবা চহীনা য়ৌরকপদা



লোইতোংবম বসন্ত সিংহ
লৈখিদবা :- ১৬/১২/২০০৭
খোঙদারকখিবা :- ৩০/৮/১৯৫৬

*কাইদোংমীন্নরম্বনি নঙ-ঐ উপাপদুগী উশা 'মদা,*
*খঙহৌদনা শেৎনখিবা উনা-উনা মীৎমাংদগী,*
*করম্না কাউগনি ঐগী পুন্সিসিদা।*
*ফাকৎপারোই খল্লবা পুন্সিগী চেনাসে,*
*ঙমদ্রে ইখুৎসিনা খুমজিনবা।*
*তারক্লিবা মিৎপুগী পিরাংসে,*
*ৱাহং কয়া কয়ানি মশীং থিঙমদ্রবা,*
*থম্মোয়নুংগী ইফুৎনি পোইনাইদ্রবা*
*নীংঙাই চাউবী থম্মোয়নি ঐগী*
*কনানসু তৈথোকপীবা ঙম্লরোইদবা*
*ওইরসনু নঙতগী নরণ।*
*পাক্লবা সমুদ্রে ঈপাক্তগীসু হেল্লবা,*
*থম্মোয়নুংগী ৱাকৎ কয়াসে নকমদা*
*থম্লগে চেৎনা থম্মোয়গী তাবুনুংদা,*
*খাঙপাগে মৈচাকসে ইদোম তুমিন*
*হামচৎ হামপোইনরবা পুন্সিসিনা,*
*হিংপিবসে ঙসিসু নঙতগীনি,*
*নঙনা শন্দোক্লম্লিবা উশাশিংসিনা,*
*মপাপ মউ পিংদ্রি ফাওদং,*
*হিংবা ঙমজবা পীনবিয়ু,*
*মদুনা ওইজগে নঙগী নুংশি পমন।*
*ঙসিগী কাউঙমদ্রবা নুমিৎ ১৬, দিসেম্বর*
*নঙ অমা য়াওরমদ্রবা চহীসিদা,*
*থিনপমপোইকো ঐ অমুবা চন্দন,*
*নমপমগনি পাইবক্তা অঙাঙবা শিন্দুর,*
*ফংপমপোইকো পুখ্রাবী মীংথোপ।*
*করিগুম্বা মথং মপোক অমা হায়বদু লৈরবা*
*ঙাইরম্মুকো ঐবু পুন্সি খোঙপোই ওইনা,*
*কাইদোংমিন্নসি উপাপ অমতদা,*
*পাইমিন্নসি তুকাং খপনা,*
*চীংপোন কয়া পাম্নবু।*
*হে! তেঙবানবগী মপূ ইবুংঙো*
*মহাক্কী অম্মাবু মতম খুদিংমক্তা*
*নখুয়াখাদা থম্বীদুনা চেৎনা*
*চাম্না নাওকোনবীয়ুকো।*

নহাক্কী :- লোইতোংবম ওংবী সোবিতা দেবী
ক্বাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায়, ইম্ফাল

# তোম্পোক, বিরেন সেভিং থিওরি

**- এন তোম্পোক -**

*(হান্নগী মখা চত্থজরকপা...)*

**খঙজিনবীগদবদি :** ১) মী অমনা লোট্রি অদুদা য়াওনীংবা স্যের মশীং য়াওবা য়াগনি, হায়বদি লোট্রি অদুদা লুপা ১০দগী হৌরগা তুংশিন্নীংবা শেনফম তুংশিনবা য়াগনি। ২) অদুবু লোট্রি অদুদা মী অমনা তুংশিনলিবা শেনফম অদুনা চহী ৫ ফাদ্রিঙৈদা লুপা ২৪০০০ তুংশিনবা ঙম্লবসু মী অদুনা য়ামদ্রবদা চহী ২দি সেভিং তৌগদবনি। (হায়বদি লোনগী ওইনদি শেনফম অদু শুরবসু চহী অনীদি সেভিং তৌদবা য়াদে হায়বনি) ৩) মহাক্কী তুংশিল্লিবা শেনফম অদুগী চাং য়েংলবা মতুংদা লৈঙাক্লা লোন পীগনি। অসুম্না থিওরি অসিনা হপ্তা অমদা মীওই ১০০/১০০দা মতেং পাঙগনি। অদুগা থা অমদনা মীওই ৪০০দা মতেং তৌবগা লোয়ন-লোয়ননা চহী অমদা মীওই ৪৮০০দা মতেং তৌগনি।

অমরোমদা, মখোয়-মখোয়না তুংশিল্লিবা শেনফম অদুগী মখা পোন্না য়ামদ্রবদা মীওই ১০০০/১০০০দা থা খুদিংগী মীওই ১০গী কাঙলুপ্তা যূম্ফম ওইদুনা লোনগী ওইবা মতেং পীগনি। হায়রিবা মীওই কাঙলূপ তরা অদুদি

1) Students 2) Old people 3) Orphan children and Handicapped
4) Sick people 5) House Wife 6) Poverty with worker.
7) Unemployment. 8) Businessmen including Farmer.
9) Serviceman and 10) Ministers/MLA's.

থিওরি অসিদা সেভিং মখল অহুম লৈগনি। মদুদি ১) জেনরেল সেভিং (লোট্রিবু খঙনগনি) ২) পার্মিনেন্ট সেভিং (লাইফ ইন্সুরেন্সপু খঙনগনি) ৩) টেম্পরেরি সেভিং (চহী ৩০দগী চহী ৫০ ফাওবা সেভিং তৌববু খঙনগনি)।

• হায়রিবা সেভিং মখল অহুম অসিমক মীওই কাঙলুপ ১০না সেভিং তৌবগী খুদোংচাবা লোইনা লৈগনি।

• ১) **জেনরেল সেভিং:**- সেভিং অসিদি মীওই অমনা লোট্রিবু শরুক য়াবা মতমদা চহী ৫ চূপ্পা মায় পাক্তবা নৎত্রগা চহী ২গী মনুংদা লুপা ২৪,০০০দগী হেন্না এক্সপেন্দিচর তৌথোকখিববু খঙনগনি।

• **২) পার্মিনেন্ট সেভিং :**- সেভিং মখল অসিদি ইশম শম্না হায়রবদা লাইফ ইন্সুরেন্সনি। অদুবু থিওরি অসিগী ওইনদি পার্মিনেন্ট সেভিং অসি মীওই অমনা মহাক্লা হিংলিঙৈ মতমদা হপ্তা অমগী মনুংদা লুপা ১০/১০ সেভিং তৌরম্বদুনা করিগুম্বা মহাক্লা লৈখিদ্রবা মতুংদা মহাক্লা তুংশিনলম্বা শেনফম অদুগী মথক্তা লৈঙাক্লা হাপ্তুনা লোনগী খুদোংচাবা পীগনি। অদুবু করিগুম্বা মীওই অদুগী ফেমিলিনা লোন পামদ্রগদি মীওই অদুগী লাইফ ইন্সুরেন্সকী শেনফম পীগনি।

• **৩) টেম্পরেরি সেভিং :**- হায়রিবা সেভিং অসিদি মীওই অমনা য়ামদ্রবদা তুংশিল্লিবা সেভিং অদুনা হেক তুংশিনবা হৌবদগী চহী ৩০দগী ৫০ ফাওবা চূপ্না তুংশিনগদবনি। হায়রিবা চহী অসি শুরবা মতুংদা মহাক্কী সেভিং অদুগী মথক্তা লৈঙাক্লা হাপ্তুনা লোনগী খুদোংচাবা পীগনি, করিগুম্বা লোন অদু পামদ্রে হায়রবসু মশাগী সেভিং অদু লৌথোকপা য়াগনি।

**খঙজিনবীগদবদি :-**

১) সেভিং মখল অহুম অসি মখোয়-মখোয়না তৌরিবা সেভিং অদু কন্তিন্যুসলি তৌদবা য়াদে হায়বা লৈতে, মখোয় মখোয়না শেল লৈবা মতমদা সেভিং তৌবা য়াগনি। ২) সেভিং মখল অহুম অসিমক লৌথোক্লীংবা শেনফম লৌনীংবা মতমদা লৌথোকপা য়াদে। মখোয় মখোয়গী সেভিং তৌবগী শেনফম নৎত্রগা চহী শুবা তঙাইফদে।

**মীওই কাঙলূপ ১০শিং অদুগী তোঙান তোঙানবা চৎন-কাঙলোন লৈগনি। মদুদি**

**১) ষ্টুদেন্ট :**- ষ্টুদেন্টগী ওইনদি লোন ফংবগী সিষ্টেম অসি খরা তোঙাল্লি। মখোয়গী ওইনদি লোন অসি মখল ৪ খায়দোক্তুনা অমুক পীগনি। অহানবদা ১) ১দগী ১০ ফাওবগী ষ্টেন্দর্দ লেবেল ২) ১১দগী ১২ ফাওবগী ষ্টেন্দর্দ লেভেল ৩) গ্রেজুয়েসন ষ্টেন্দার্দ লেভেল অমদি ৪) মাষ্টর লেভেল হায়না।

(এন বি :- ১) ক্লাস ১দগী ১০ ফাওবা তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী ওইনদি মখোয় মখোয়না সেভিং তৌরিবা জেনরেল সেভিং অদুনা চহী ৫ ফারক্লবা ফাওবদা লোট্রিদা মায় পাক্লবসু মখোয় মখোয়গী সেভিংগী শেনফম অদুদি লেংদনা লৈগনি, অদুমওইনা মখোয় মখোয়না লোন ফংবা য়াবগী খুদোংচাবদি লৈতে। করিগুম্বা লোন পাম্লবদি মখোয় মখোয়গী শেনফমশিং অদু পেরেন্টকী একাউন্ট অমদা ট্রান্সফর তৌদুনা লোন ফংবা য়াগনি। ২) অদুগা করিগুম্বা মহৈরোয় অমনা লোন পামদ্রগনা মখোয় মখোয়না ক্লাস টেন লোইদ্রিফাওবা অদুম সেভিং তৌবা য়াগনি।)

• মহৈরোয়শিংগীদি সেভিং মখল অহুমদুগী মথক্তা অনৌবা অমা অমুক হাংবা য়াগনি অমদি মখল ৪গী লোন ফংবা য়াগনি। মদুদি - ১) মখোয় মখোয়সু লোট্রি য়াওরগা করিগুম্বা চহী ৫ নৎত্রগা চহী ২গী মনুংদা লুপা ২৪০০০ এক্সপেন্দিচর তৌথোকখ্রবা মতুংদা ফংবা য়াবা লোন। ২) মহৈরোয় অমনা ক্লাস টেন ফাওবা তুংশিন্দুনা নৎত্রগা ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবা তুংশিন্দুনা নৎত্রগা গ্রেজুএসন ফাওবা তুংশিন্দুনা অমদি মাষ্টর ফাওবা তুংশিন্দুনা ফংবা য়াবা লোন। ৩) মখোয়না পার্মিনেন্ট সেভিং হাংদুনা ফংবা য়াবা লোন অমদি ৪) টেম্পরেরি সেভিং হাংদুনা ফংবা য়াবা লোন।

অসুম্না সেভিং থিওরি অসিনা মহৈরোয় কয়া অমবু মতিক চানা মহৈ মশীন মখা তানা তমথহনবদা য়াম্না চাউনা মতেং তৌগনি অমদি লমদম অসিদা ক্রাইমগী মশীং অসুম তপ্না তপ্না হন্থহল্লকপদা য়াম্না চাউনসু মতেং তৌগনি।

**২) ওল্ড পিপল :**- হায়রিবা মীওই কাঙলূপ অসি অহল ওইরবা মীওইশিংগী কাঙলূপনি। কাঙলূপ অসি মীওই অমনা য়ামদ্রবদা চহী ৬০ শুরকপদগী হৌরগা চহী ৮০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ওইগনি। কাঙলূপ অসিসু মখল অহুমগী সেভিং লোইনা তৌবা য়াগনি অমদি মখোয়শিং অদুগী লোন লোইনা ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈগনি।

**কাঙলূপসীগী ওইনা হেন্না খুদোংচাবদি :-**

• কাঙলূপসিদা লৈরিবা মীওশিংগীদি মখোয়না হাংলিবা টেম্পরেরি সেভিং অদুনা মতম শুরক্লবা মতুংদা টেম্পরেরি সেভিং অসিগী শেনফম অদু লোন ওনা ফংবা য়াবগী মথক্তা পেন্সন ওইনা ফংবা য়াবগী খুদোংচাবসু লৈগনি অমদি হেলথ স্কিম ওইনা ফংবা য়াবগী খুদোংচাবসু লৈ।

অসুম্না সেভিং থিওরি অসিনা মীওই অমমম্না অহল ওইরক্লবা মতমদা শেল থুম লৈরক্তবা মতমদা অমদি করিগুম্বদা মচা মশুনা মীরাইবীরক্লবসু সেভিং থিওরি অসি য়াওরুবনা মহাক্লা তুংশিনলুরিবা সেভিং কয়া অদুনা মরম ওইদুনা মহাক্লা হেক হিংলিবা মখৈ পেন্সন ওইনা ফংদুনা অসিগুম্বা থৌদোক কয়া অমদগী কনবা ঙমগনি। অদুগা লোয়ন-লোয়ননা লৈঙাক্লা মহাক্লা থেংনরিবা খুদোংথিবা খুদিংমক হকথেংননা শরুক য়াবা ঙমগনি। অসুম্না তৌরগদি অহল ওইরক্লবা মতমদা থেংনবা খুদোংথিবা কয়া অমদগী কনবা ঙমগনি।

**৩) ওর্ফান চিলড্রেন এন্দ হেন্দিকেপ :**- কাঙলূপ অসিদি মরুওইনা মমা মপানা মনুং মতম চাদনা হুন্দোকপীরম্লবা অঙাংশিং অমদি হকচাংগী ফীভম মীমান্নদ্রবা মীওই কাঙলূপশিংনি।

• কাঙলূপ অসিসু মখল অহুমগী সেভিং লোইনা তৌবা য়াগনি অমদি মখোয়শিং অদুগী লোন লোইনা ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈগনি।

**কাঙলূপসিগী ওইনা হেন্না খুদোংচাবদি :-**

• কাঙলূপ অসিদা লৈরিবা মীওই অমনা লোট্রিদা শরুক য়াবা মতমদা করিগুম্বা মহাক্কী লোট্রি অদু চহী ২ মায় পাক্তবা তারবদি মখোয় মখোয়না তুংশিল্লিবা সেভিং অদুগী মথক্তা লৈঙাক্লা হাপ্তুনা লোন ওইনা ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈগনি।

• কাঙলূপ অসিদা লৈরিবা হেন্দিকেপকী ওইনদি চহী অনীগী মনুংদা মহাক্কী জেনরেল সেভিং অদু অকক্লবা শেনফম য়ৌদবা য়াদে হায়বগী ৱাফম লৈতে। অদুবু ওর্ফানশিংগীদি চহী অনীগী মনুংদা লুপা ৫০০০দি শুগদবনি অমদি মহাক্লা চহী ২গী মনুংদা সেভিং অহুমদুগী মনুংদা অমা হেক্তা লুপা ৫০০০ শুরবদি অঙাং অদুবু ফ্রীদা ক্লাস টেন ফাওবা মহৈ তমহনবা য়াবগী খুদোংচাবসু লৈগনি।

অসুম্না সেভিং থিওরি অসিবু মতম খরদং ওইরবসু য়াওরম্বনা করিগুম্বা মনুং মতম চাদনা মমা-মপা ওইবা অনীনা লৈখিদবা থোক্লবসু লৈহৌরিবা মচাশিং অদুনা হিংহৌবদা করিসু ৱারৌনীংঙাই ওইদে। সেভিং থিওরি অসিগী মতেংনা অঙাংশিং অদুনা মহৈ-মশীন তম্বদা অমদি খুন্নাই অসিদা হিংবদা মনীং মখা তম্না হিংবা ঙমহনগনি।

**৪) সিক পিপল :**- হায়রিবা কাঙলূপসিগী ওইনদি তোঙানবা মীওই কাঙলূপ অমা ওইগদবনি হায়বা লৈতে। কাঙলূপ অসিদি মীওই অমা হেক্তনা অনা অয়েক য়াওরক্লবা মতমদা অমদি শেল থুমগী খুদোংচাবা লৈরক্তবা মতমদা হায়রিবা কাঙলূপ অসিদা চিংগনি অমদি হেলথকা মরী লৈনবা লোন/শেনফম কয়া অমা ফংগনি।

**কাঙলূপসিগী ওইনা হেন্না খুদোংচাবদি :** কাঙলূপ অসিদা লৈরিবা মীওই অমখক্তনা মহাক্লা তুংশিল্লিবা পেমেন্ট সেভিং অমদি টেম্পরেরি সেভিংগী শেনফম অদুনা লুপা ২০,০০০ শুরক্লবদি, মীওই অদুদা লোনগী খুত্থাংদা হেলথকী লোন নৎত্রগা হেলথ স্কিমগী খুদোংচাবা লৌবা য়াগনি।

**৫) হাওস ৱাইফ :**- হায়রিবা কাঙলূপ অসিদি মরুওইনা মহৈ মশীন মতিক চানা হৈহৌদ্রবী যূমদা থবক শুজরিবা হায়বদি ফিশাকোন শারিবী, টেলর তৌরিবী, পান দুকান ফম্লিবী অমদি তোঙান তোঙানবা যূমদা করবার তৌরিবী হাওসৱাইফশিংগী কাঙলূপপু খঙনগনি। কাঙলূপ অসিসু মখল অহুমগী সেভিং লোইনা তৌবা য়াগনি অমদি মখোয়শিং অদুগী লোন লোইনা ফংগনি।

**কাঙলূপসিগী ওইনা হেন্না খুদোংচাবদি:-**

হায়রিবা কাঙলূপ অসিদা লৈরিবা হাওসৱাইফশিংদি মথক্তা পনখিবা সেভিং অহুমগী মনুংদা লুপা ১৫০০০ সেভিং তৌবা ঙম্লবদি হায়রিবা হাওসৱাইফ অদুদা মশা মশাগী শিনফমগী মখা পোন্না লোন ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈগনি।

• অসুম্না সেভিং থিওরি অসিবু হাওসৱাইফ কয়া অমনা শরুক য়াদুনা নুপীশিংবু নুপাশিংগা থাক মান্নহল্লকপদা য়াম্না চাউনা মতেং পাঙই। অদুগা লোয়ন-লোয়ননা মখোয়সু তোঙান তোঙানবা লৈবাক্কী ওইবা হীরম কয়া অমদা শরুক য়াহল্লকপা ঙম্মী অমদি মশা-মশাগীসু শেনমিৎলোন অমা শেমগৎচবদসু সেভিং থিওরি অসিনা মতেং পাঙগনি।

**৬) পোভর্টি ৱিথ ৱার্কর :**- হায়রিবা কাঙলূপ অসিদি মরুওইনা ময়ূম মকৈ লৈজদবা মীওই অমদি নোংমা নোংমগী অফং-অফংবা থবক শুজরিবা মীওইশিংবুনি। কাঙলূপ অসিদা নোংমগী হজিরা শুজরিবা মীওইশিং, দাইভরশিং, হোটেলদা থবক শুরিবা মীওইশিং অমদি তোঙান তোঙানবা ফার্ম অমদি ফেক্টরিদা থবক শুরিবা মীওইশিংগীনি। কাঙলূপ অসিসু মখল অহুমগী সেভিং লোয়না তৌবা য়াগনি অমদি মখোয়শিং অদুগী লোন লোইনা ফংগনি।

**কাঙলূপসিগী ওইনা হেন্না খুদোংচাবদি :-**

• কাঙলূপ অসিদা ময়ূম লৈজদবা মীওই অমনা করিগুম্বা মহাক্লা চহী অনীগী মনুংদা মহাক্কী টেম্পরেরি সেভংদা লুপা ৫০০০ সেভিং তৌবা ঙম্লবদি মহাক্কী ময়ূম শাননবা লৈঙাক্লা মীওই অদুদা লোনগী খুদোংচাবা পীগনি।

• কাঙলূপসিগী ওইনদি লোনগী ইন্টরেষ্টসু য়াম্না পীক্কনি। -মথং-মথং

## মরোল থোকপা লাই

